**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-11-2024)**

**ঙা (এল)ঃ** নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হপ্তা কাংজেবুংদা ৪৫ শুবা চহিগী ঙাগী মেলা অমদি অথোই অহেন চাংদমবা পাঙথোকখ্রে।

ঙাগী মেলা অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-ঐখোয়গী ওইবা তঙাইফদবা থৌরমশিং মহৌশাগুম অদুম্মক পাঙথোকসি। অদুমওইনমক, হৌজিক ওইরিবা মনিপুরগী ফিভম অসি য়েংলগা কা হেন্না হেদোই-হেরাউ কানা থৌরমশিং পাঙথোকপদি চুমদে। ঙা হায়বসি মীতৈশিংগী ওইনদি পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম অমনি। মনিপুরদা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈকাই লৈকাইশিংদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা পুখ্রি থমদুনা মদুদা ঙা য়োকপসু চাউনা কান্নগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়-বিভাগ অসিনা কন্না হোৎনবদগী মনিপুরদা ঙাগী পোৎথোক মেত্রিক টোন লিশিং ৩৬ পুথোকপা ঙমলে। মসি হান্নদি মেত্রিক টোন লিশিং ২৫ রোমতমক পুথোক্লম্বনি। মহাকা হায়-মনিপুরদা হৌজিক চহি অমদা ঙা মেত্রিক টোন লিশিং ৫৩ রোম দরকার ওই। তৌবতবু মমাংদা রাজ্য অসিগীদমক অহেনবা ঙাগী পোৎথোকশিং মপানদগী লৌবদা চহিদা লুপা কোতি ২০০ রোম চাদিং তৌরম্বা অদু হৌজিক্তি শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমলে।

মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী মনুংদা মনিপুর অসি ঙা মচা পুথোকপদা মাংজিল থাবা রাজ্য অমা ওইরক্লি। ম্যান্মার অমদি বঙ্গলাদেসনচিংবা লৈবাকশিংদগী রাজ্য অসিদা মুৎলুরবা মীতৈ শরেংগী মচাশিং য়ামা ৱানা পুরক্কুনা য়োকরমখি। অদুবু

হৌজিক্তি মনিপুরদা মীতৈ শরেংগী মচা পুথোক্তুনা পাক শন্না য়োকপা ঙমলে। মসিগী মথক্তা মনিপুরগী তাংলবা য়েলহৌ ঙাশিং খাবক অমসুং ঙাতোননচিংবসু হান্নদগী চাং হেন্না পুথোকপা ঙমলে। মসিগী মথক্তা প্রাইম মিনিস্তর মৎসায়া সমপদা য়োজনাগী কান্নবা নীংথিনা লৌদুনা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। মসিদা ঙা য়োল্লিবা মীওইশিং অমদি মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**চাক্কৌবা (এল)ঃ** মমা-মপা, মবুং-মৌপৰা অমসুং ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি।

চহি খুদিংগী হিয়াঙ্গেগী নিনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকপা মীতৈশিংগী ফজরবা নিংঙোল চাক্কৌবগী কুম্হৈ অসি হৌজিক্তি অতোপ্পা ফুরুপশিং য়াওনা পাক শন্না পাঙথোকদুনা, কাংলুপ-ফুরুপকী খেৎনবা লৈতনা পাঙথোকপা ফজরবা কুম্হৈ অমা ওইরক্লি।

নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়-কুম্হৈ অসিনা লাকপদা ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা নিংঙোল ওইবীশিং অমসুং মবুং মৌপৰাশিংগী মরক্তা নুংশিবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবতা নত্তনা কাংলুপ কয়ানা পুনশিনদুনা লৈমিন্নরিবা মনিপুরি খুন্নাইদা শান্তি অমসুং চাউখৎপগী ইথিল হেন্না পীবা ওইরসনু।

মখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা পীবা পাউজেলদা হায়-নিংঙোল চাক্কৌবা অসি মবুং মৌপৰা অমসুং মচে-মচলশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীবু হেন্না চেৎশিলহল্লিবা ফজরবা কুম্হৈ অমনি। কুম্হৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা অমত্তা ওইবগী ৰাখল্লোন হেন্না শন্দোক্তুনা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা

অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্বা ওইরসনু।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা পীবা পাউজেলদা হায়-নিংঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা নুপী ওইবীশিংনা ইমুং মনুংদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু নৌহৌননা নীংশিংবগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎলি। ক্মৈ অসিনা লাকপদা মমা-মপা, মবুং মৌপৱাশিংগা নিংঙোল ওইবীশিংগা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু।

মনিপুর বিধান সভাগী উপ অধ্যক্ষ-কে. রোবিন্দ্রোনা পীবা পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নুংঙাইবা, চাউখৎপা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইরসনু।

শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা য়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা ময়ুমদা লাক্তুনা মমা-মপা, মবুং-মৌপৱাশিংগা হরাউনা চামিন-থকমীন্নদুনা মপা-মচা, মচিন-মনাও ওইবগী মরী নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। কুম্মৈ অসিনা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী মনুংদা অমসুং ইমুং খুদিংমক্তা নুংঙাইবা, চাউখৎপা অমসুং শান্তি পুরকপা ওইরসনু।

সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা পীবা পাউজেলদা হায়-হৌজিক্কী লুরবা তানফম অসিদা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা ইংথবা-তপথবা অমসুং কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগা লোয়ননা হেন্না ফবা মনিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু।

রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা অমদি নুংশি চান্নবা হেন্না পুরকপা ওইরসনু।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা পীবা পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা লাকপদা অমনা ঙাংবা, অমনা তাদুনা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা শান্তি অমসুং চাউখৎপা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন

সিংহনসু নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনসু নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফা পাউজেল পীরক্লি।

জনতা দল য়ুনাইটেদ, শিবা সেনা মনিপুর প্রদেস, লোক জন্ন শক্তি পার্টি (রাম বিলাস পাসৱান), মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর-ঙাংবম নোংয়াই, ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল, অমুকো, অমেস্কো, মৈপাক নিংথৌ কমিতিনচিংবনসু নিংঙোল চাক্লৌবনা লাকপদা নিংঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**জিরি(এল)ঃ** জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারগী মীৎয়েং মখাদা নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা নীংথম খুদোল তম্বগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বোড়োবেক্রাগী এস.দি.সি-মোইরাংথেম দেবানন্দা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**বোর্ড (এল)ঃ** মীতৈশিংগী পোকপা, লুহোংবা অমসুং কোরৌ নোঙ্গাবগী থৌরমশিংগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্কদবা রিটস দি পেসেজগী ৱার্কশোপ ঙসি হয়িংখোঙবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়-মীওইবা অমা ওইনা মশাগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং খঙবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। গ্লোবেলাইজেসন অমসুং শিংনবা কয়ানা পীক থল্লবা মালেম অসিদা অপিকপা ফুরুপশিংগী চৎন-লোনচৎ কয়া মাঙশিল্লকপগী থৌওং তোইনা থোক্লি। কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপা

মীওইশিংগী দোমোগ্রাফি ইন্বেলেন্স অমা লৈরব্রা হায়বসিসু থিজিনবা তঙাইফদে।

**জিরি (এল)ঃ** জিরিবামদা মনিপুর পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর অমা কন্সটেবল অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা জিরিবামগী মোংবুং খুলদা মীওই অমগী শঙ্গোইদা থোকখিবনি। মফম অদুদা খুল ঙাক শেনবগী মথৌ তৌরিবা এস.আই. অদু মহাক্কা পুন্না লৈমিন্নবা কন্সটেবল অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা কন্সটেবল অদু পুলিসনা ফারে।

থৌদোক থোকফমদা জিরিবামগী এস.পি. কে.ঐচ. রোবিনসন লাক্কুনা য়েংশিনখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**সেনাপতি (এল)ঃ** মী ফুরকপা অমসুং লুট তৌখিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ দগী কৌখিবা পুং ২৪ গী সটদাউন্দনা নেসনেল হায়ৱে টু, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী সেনাপতি এরিয়াদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়-থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা কাংলুপ নৎত্রগা মীওইশিংনা মতিক চাবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলক্তবদগী সটদাউন্দগী খোঙজং অসি চংশিল্লকখিবনি।

**চাউরেন (এল)ঃ** ইরেংবম চাউরেনগী ৬৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ইরেংবম চাউরেন মেমোরিয়েল ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট-ইরেংবম বিলাসিনিনা হায়-লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংনা মমা লৈবাক নুংশিবগী চপ মান্নবা ৱাখল লৈরবা মতমদা মনিপুরগী ইন্টিগ্রীতি কায়হন্দনা থম্বা

ঙমগনি।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী প্রোফেসার-এন. জয়কুমার, লমলাং হুপী চোথে ভিলেজগী চীফ-থাউ যাত্রা চোথে, কবুই য়ুনিয়ন মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ডা: হিরা কব্ই য়াওনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**দান্স (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী ইর্ষ্টন জোনেল কলচরেল সেন্টর-কোলকাতাগী গুরু সিস্যা পারমপারা-২০২৪-২৫ গী স্কিম মখাদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা প্রোগ্রেসিপ আর্টিষ্ট লেবোরেটোরিগী ওদিটোরিয়মদা থা তরুক চুপা চথ্থগদবা ত্রেদিসনেল দান্স কোস্ট্যুম মেক্কিং ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। গুরু লাইশ্রম সরদকুমার সিংহগী মখাদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোগ্রেসিব আর্টিষ্ট লেবোরেটোরিগী দাইরেক্তর-নামৈরাকপম টিকেন য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

হায়রিবা ত্রেন্নিং অসি মোইরাংখোম মখা লোকলাউবুংদা মখা তানা চথ্থগনি হায়রি।

**যোগ (এল)ঃ** চহি অসিগী জ্লাই ১৬ তগী হৌদুনা থা অহুম চুপা চথ্থরকখিবা যোগ ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি ককচিং ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগাসন স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট যোগ ত্রেন্নিং এন্দ রিছার্স এসোসিয়েসন অনিনা পুন্না শিনবনি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা নুপা অমসুং নুপী পুন্না ত্রেনি ৯৫ না শরুক য়াখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** নেসনেল ওরেল হেলথ প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী মখাদা নোংমগী ওইবা ওরেল হেলথ কেম্প অমা ঙসি চান্দেলগী

ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ৭০ হেন্না লায়েংখি।

**জেএসি(এল)ঃ** চহি অসিগী জানুৱারী অমদা লিলোং চিংজাউদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিগা সরকারগা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরকপগীদমক জে.এ.সি. অসিনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

**ম্যুজিক (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী চিংখিয়ুলোংদা ঙসি ম্যুজিক্সিয়ান্স মেটচকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার শরুক য়াখি।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) গী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবীদা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম অমসুং কোংবদা লৈবা সেনিয়ার সিটিজন্স হোমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হোমশিং অদুদা চান-থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং গ্রীসকী প্রধান মন্ত্রি-কিরিয়াকোস মিটসোতাকিসনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ফোংদোকখ্রে।

টেলিফোনদা ৱারী শান্নবা অমদা লুচিংবা অনিনা মালেমগী ওইবা ৱাফমশিং, লমদম লমদমগী ওইবা ৱাফমশিং অমসুং খা থংবা এসিয়াদা ইন্দিয়া-মিদল ইষ্ট-য়ুরোপ ইকোনোমিক কোরিদোর দিবলপমেন্টকী মতাংদা কুপা খন্নখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, ঙাকশেল, সিপ্পিং অমসুং কন্নেক্তিভিতিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা লৈনরিবা মরীসু লুচিংবা অনিনা হন্না য়েংশিনখি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং

সিঙ্গাপুরগী নুমিৎ তরুকনিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

ডা: জয়শঙ্করনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিজবেনদা ভারতকী মরিশুবা কন্সুলেট হাংদোক্কনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি-পেনি ৱোংগা পুন্না সভাপতি ওইদুনা কেনবেরাদা ১৫ শুবা ফোরেন মিনিস্তরস ফ্রেমৱার্ক দাইলোগতা শরুক য়াগনি। ওষ্ট্রেলিয়ান পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা রাইসিনা দাউন্দগী হৌদোকপা থৌরমদা ডা: জয়শঙ্করনা ৱা ঙাংগনি। মহাকা ওষ্ট্রেলিয়াগা লুচিংবশিং, সংসদ সদস্যশিং, লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা মীওইশিং, মফম অদুদা লৈবা ভারতমচাশিং অমসুং পাউমীশিংগসু উন্নগনি। থা অসিগী ৮ দা ডা: জয়শঙ্করনা সিঙ্গাপুরদা চৎকনি। মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা থিঙ্ক টেঙ্কশিংগী ৮ শুবা রাউন্দ টেবল ওফ অসিয়ান-ইন্দিয়া নেটৱার্ককী থৌরমদা মহাকা ৱা ঙাংগনি।

**ফুটবোলঃ** নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতি-ইম্ফালনা শিনদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থরকপা নুপীগী ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভরসিতি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি খুম্মন লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এন.এস.য়ুনা দি.এম. য়ুনিভরসিতিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ত্রিপুরা য়ুনিভরসিতিনা নাগালেন্দ য়ুনিভরসিতিবু পাঞ্জল ৮-০ দা অমসুং ডাক্তর শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি য়ুনিভরসিতিনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এ.দি.সি. চান্দেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ-২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চকপীকারোং ৱাই.সিনা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজ-ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকপা এ. প্রতাব

মেমোরিএল সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খা-মনিপুর কলেজনা ককচিং খুনৌ কলেজপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** ৱালিদা-ৱাবগাই কাংশঙদা চত্থরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই. মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নম্বোলনা ক্লাস (বি) কৈনৌবু পাঞ্জল ১৬-৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাউরেম রাজ নিংথৌ সিংহ মেমোরিয়েল ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.এম.সি.এ-থৌবালনা আর.য়ু.এল.ই-মৈত্রমবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈনা সি.দি.সি.সি-শগোলবন্দ সলাম লৈকাইবু রন-২১০ দা থোইখ্রে।

**হোকি(এল)ঃ** তামিল নাদুগী চেন্নাইদা নবেম্বর মরিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়ার মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ দা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুর ষ্টেট সেনিয়ার মেন হোকি টিমগী ওফিসিএল মরি য়াওনা শান্নরোই ১৮ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। টিম অসি ওলিম্পিয়ান-কাংঙুজম চিংলেনস্নানা কেপটেন ওইনা লুচিংলি।